# হুইয়েন লানপাউ


ধনশ্রী লাইশ্রমদা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি য়ুনিভর্সিটিনা এম এস সী ফোরেষ্ট্রিদা টোপ্পর ওইবগী গোল্ড মেদল পীবগী শক্তম



লামায় ১

মীয়ামদা পব্লিক ডিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেমগী আইটেমশিং ফংহন্দবদা চেন্নদে হায়দুনা শেংদোক্লিবা লোক জনশক্তি পার্টি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী থৌমীশিং



লামায় ৩

ডাইরেক্টরেট ওফ ফিল্ড পব্লিসিটি, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা এগ্রিকলচর ডিপার্ট-মেন্টতা পাঙথোকপা রিজনেল ওরিয়ে-ন্টেসন ৱার্কসোপ



লামায় ৩

মৌলানা অবুল কলাম অজাদকী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা এম পি সী সীগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরমগী শক্তম



লামায় ১


Vol. 41, Issue No.228 | নোংমাইজিং, হিয়াঙ্গৈগী ২৪নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, November 12, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## থাউগী মমল

**ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট**

**পেট্রোল :** লিটরদা লুপা ৬৭.৯৮

**দীজল :** লিটরদা লুপা ৫৬.৫৬

## মৌলানা অবুল কলাম অজাদ নীংশিংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): মণিপুর কলচর অমসু স্পোর্টসতা চাউথোকচরিবা লমদম ওইবনা অনৌবা লৈঙাক্লা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলক্কনি থাজে হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিট (মাইনোরিটি দিপার্টমেন্ট) না শিন্দুদা কোংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা পাঙ-থোকখিবা মৌলানা অবুল কলাম অজাদকী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## গোল্ড মেদল ফংলে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ : নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি য়ুনিভর্সিটিদগী এম এস সী ইন ফোরেষ্ট্রিদা ফর্ষ্ট পোজিসন তাদুনা ধনশ্রী লাইশ্রমদা গোল্ড মেদল পীরকখ্রে। ধনশ্রী লাইশ্রম হাওবম মরক কৈশাম লৈকায়দগী লাইশ্রম একেন অমসুং লাইশ্রম ওংবী মোনোরামাগী মচানুপীনি হায়রি।

### মণিপুরগী সী এমগা য়াঙ্গোনগী সী এমগা উনখ্রে

# ইম্ফাল-মন্দলে বস সার্ভিস লৈহন্নবা এন বিরেননা ম্যান্মারদা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): য়াঙ্গোন্দা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনে-সনল কনফরেন্সতা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি য়াঙ্গোনগী চীফ মিনিষ্টর উ ফায়ো মিন থেন অনীনা ৱারী শানখ্রে।

য়াঙ্গোন্দা লৈবা চীফ মিনিষ্টরগী রেসিদেন্সিয়েল ওফিসতা ঙরাং নুংথিল উনখিবা অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ইম্ফাল-মন্দলে অমদি য়াঙ্গোনগী বস সার্ভিস অথুবদা লৈহনসি। নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী মরী লৈনরক্লবা লৈবাক অনী অসি হেন্না মরী চেৎশিনহনসি। নাকল অনীমক্কী ভিজা ওন এরাইবেল থম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাক অনীগী ফুরুপশিংগী মরী ফনা থম্নবা অমদি মীওই অমগা-অমগগী মরক্তা নুংশিনবা পুরক্লবা ম্যান্মারগী মীয়াম্না মণিপুর ফাওদুনা বুধগয়া চৎপীয়ু হায়নসু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা য়াঙ্গোনগী সী এমদা ফোঙদোকখি।

য়াঙ্গোন্দসু ট্রেদ সেন্টর অমা থম্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দিপ্লোমেটিক্কী খুথাংদা হায়রকপদা মতেং পীবিনবসু খঙহনখি।



য়াঙ্গোনগী চীফ মিনিষ্টর উ ফায়ো মিন থেননা হায়খিবদা, ম্যান্মারগী খম থেংবা খা নোংপোক্তা লৈরিবা য়াঙ্গোন অমদি সাউদর্ন ম্যান্মারগী ঙমখৈগী য়ুম্লোন্নবা ওইরিবা মণিপুর অনীগী মরক্তা অফবা মরী থম্বা তঙাইফদে। লৈবাক অনী চুম্না সোসল অমদি কলচরেলদা মরী লৈনবতা নত্তনা টেক্নোলোজি অমদি টুরিজমদসু হেন্না চাউখৎহনবা মথৌ তাই। নাকল অনীমক্কী ওইনা টেক্নোলোজিগী ৱাখল লৌশিং তাথোক-তাশিন তৌবা চঙই। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াগী ফ্রীদম ফাইটর সুভাসচন্দ্র বোসকী ম্যান্মারগী খোঙচৎ অমদি ইন্দিয়াগী হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট অমদি সাইটশিং ঙাক্তুনা থম্নবা ফোঙদো-রকখিবা ৱাফমগী মতাংদা পল্লদুনা য়াঙ্গোনগী সী এমনা য়াঙ্গোন অমদি মন্দলেদা ইন্দিয়াগা মরী লৈনবা মফম ২০০ হেন্না লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

মফমশিং অসি ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা ফজনা শেমগৎনবা খন্নরি। মসিনা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মার অনীগী মরী ফগৎহনবগা লোয়ননা নুংশিনবা পুরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী সী এম অমদি য়াঙ্গোনগী সী এম অনীনা পুং ১ রোম চুপ্না ৱারী শানখিবা অদুদা য়াঙ্গোন রিজনগী এগ্রীকলচর মিনিষ্টর উ হান তুন অমদি এদমিনিষ্ট্রেটর ওফ ইন্দিয়া বিক্রম মিশ্রি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি বিনিট যোশি, এক্ট ইষ্ট পোলিসীগী কনভিনর আর কে শিবচন্দ্রসু শরুক য়াখি। চীফ মিনিষ্টর অনীনা উনখিবা অদুদা খুদোলপোৎসু পীখি।

য়াঙ্গোনগী খোঙচৎ অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চহী ২৬০০ হেল্লবা, নোংমদা মালেমগী মীওই ৫০০০ রোম্না য়েংবা লাক্লিবা সুয়েদাগোন পেগোদা লাইশঙদা চঙদুনা লাই খুরুমখি।

### থাবা য়ৌদবা পোলিথিন খাউ ফাগৎপগী দ্রাইব চথখ্রে

# লুপা লাখ ৫গী মমল ওইগদবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), কংলৈ দিভলপমেন্ট সোসাইটি কোংবা (কে দি এস কে) অমসুং লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংগা খুৎশম্নদুনা ঙসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মফম খরদগী থাবা য়ৌদবা পোলিথিন খাউ ফাগৎপগী দ্রাইব চথখ্রে।

টিম অদুনা এম জি এভিন্যুদা লৈবা পোৎ পৈফম অমদা পোলিথিন খাউ থিবগী দ্রাইব চথবদা চাউরাক্লা লুপা লাখ ৫ রোমগী মমল ওইগদবা মখল মখা কয়াগী হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

দ্রাইব অদুদা মপুং ওইনা শরুক য়াখিবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং অদুদি মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ (এম পি সী বি), ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফুদ সেফটিগী টিম অমসুং সিটি পুলিসকী কাঙবুনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

পাউ অসিনা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবদগী পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী ইনভাইরোনমেন্টেল এঞ্জিনিয়র কে ঐচ প্রেমকান্তনা লুচিংবা টিম অদুনা তোঙান তোঙানবা টিম মঙা খায়দোক্লগা থাবা য়ৌদবা পোলিথিন খাউ ফাগৎপগী দ্রাইব অদু চথখিবনি।



প্রেমকান্তনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, মাইক্রোন ৫০ য়ৌদবা মখলগী পোলিথিন খাউশিং অসি মীয়াম্না মৈ থারগসু কেন্সর লায়না পোকহল্লকপা য়াই। লৈনুংদা ফুমখ্রবসু চহী ১০০ হেন্না মপোপ কায়দনা লৈ। লৈবাক লৈহাওগী মরক্তা কাখল শেমদুনা লৈবা মরম্না পোৎচৈ থারগা হৌবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে।

ঈরম খোঙলমদা থাদরগসু মোৎশিনহনবতা নত্তনা মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীরি। লোয়ননা শা-ষণনা চাশিল্লুরগসু তুম্বা ঙমদবদগী শিবা য়াওরি। কুমজা ১৯৮৬ কী ইনভাইরোনমেন্টল এক্টকী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্লা মমাং চহীগী মার্চ ১৮ দগী অথিংবা থম্লকখিবনি। মরম অদুনা হায়রিবা মাইক্রোন ৫০গী মখাগী পোলিথিন খাউশিং অসি থিংনবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটিশিংনা মতেং পাঙলকপসি থাগৎলি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাগৎলিবা মাইক্রোন ৫০ গী মখাদা লৈবা অপাবা পোলিথিন খাউ অসি অথুবা মতমদা মফম চানা মাঙহনবগী থবকসু পায়খৎলগনি হায়রি। মসিদা নত্তনা লৈঙাক্লা য়োনবা থিংখ্রবা পোলিথিন খাউ মখল অসি হঞ্জিন হঞ্জিন্না দুকানশিংদা য়োল্লম্বা থেংনরবদি লোগী মতেং লৌদুনা ফা পুন্দুনা অকনবা চৈরাক পীনবা হোৎনরগনি...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 76.026847 |
| US Dollar | 65.173065 |
| British Pound | 85.967033 |
| Australian Dollar | 49.978064 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.814372 |
| Japanese Yen | 0.574012 |
| Malaysian Ringgit | 15.546695 |
| Norwegian Krone | 8.015749 |
| Singapore Dollar | 47.901469 |
| South Korean Won | 0.058193 |
| Swedish Krona | 7.791495 |
| Turkish Lira | 16.847841 |
| Myanmar Kyat | 0.04775 |
| Bangladesh Taka | 0.78272 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30160.43 |
| Mumbai | – | Rs 31090.91 |
| Delhi | – | Rs 30481.28 |
| Kolkata | – | Rs 31026.74 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৮.৭৪ °C | ১৪.৩৪ °C |
| চান্দেল | ৩২.৫৬ °C | ১৫.৩৮ °C |
| সীসীপুর | এন এ °C | এন এ °C |
| ইম্ফাল | ৩১.২৯ °C | ১৩.৫৪ °C |
| সেনাপতি | ২৮.৩১ °C | ১১.৬২ °C |
| তমেংলোং | এন এ °C | এন এ °C |
| থৌবাল | ২৯.২৯ °C | ১৪.১২ °C |
| উখ্রুল | ২৪.৬৪ °C | ১২.৪২ °C |
| মণিপুর | ৩২.৫৬ °C | ১১.৬২ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

### সাপমচা কংলৈপাল নবেম্বর ২৫দা কংলাগী সনথোঙ মমাঙদা মৈ থাদুনা শিজরগনি : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ : য়েলহৌমী কন্নবা নবেম্বর ১৮ দগী হৌগদৌরিবা অপুনবা মীয়ামগী ঈহৌ অসিবু মায় পাক্লবগীদমক মণিপুর ফোরৱার্দ য়ুথ ফ্রন্ট (মাফিফ) কী প্রসিদেন্ট সাপমচা কংলৈপালনা থা অসিগী ২৫ দা কংলাগী সনথোঙ মমাঙদা মশা মথন্তা মৈ থাদুনা শিজনবা ৱারেপ লৌরে হায়না মাওইষ্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাঙনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মাফিফকী প্রসিদেন্ট সাপমচা কংলৈপালবু কুমজা ২০০৮ দা অরানবা মরাল পীশিন্দুনা লৈঙাক্লা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম ফাজিনখি। লৈঙাক ৱায়েন্না থাদোকখিনবা লৈঙাক্তা খঙহল্লবসু ঙম্মী মতাগুম এন এস এদা অমুক ফাজিন্দুনা কৈশুমশঙদা নমশিনখি। থা ৮ চুপ্না কৈশুমশঙদা অৱাবা খাঙলবা মতুংদা কুমজা ২০০৮ গী দিসেম্বরগী অরোইবা শরুক্তা কৈশুমশঙগী চেকপল নমখায়রল্লগা নাম্থোকখিবনি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী হান্না লৈরম্বা ফোরেনর এক্টপু ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৫০ গী নবেম্বর ১৮ দা মুথৎখি। নুমিৎ অসিবু নিংশিংদুনা নবেম্বর ১৮ দগী হৌরগা মীয়াম্না মায় পাক্লিবা ফাওবা চঙশিনগদবা মীয়ামগী ঈহৌ খুদিংমক্তা সাপমচা কংলৈপালনা মাঙজিল থানা লুচিংগনি। নবেম্বর ২৫ দা কংলাগী সনথোঙ মমাঙদা লুচিংবা অসিনা মশা মতোমতা মৈ থাদুনা শিজগনি।

য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ অসিগী-দমক মীয়ামগী লুচিংবা সাপমচা কংলৈপালগী থৱায় মণিপুরগী মীয়ামগী খুৎতা শিন্নরি। নবেম্বর ১১দগী হৌগদবা ঈহৌ অসি নবেম্বর ২১ দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মণিপুরদা লাক্কদৌরিবনা য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ অসি...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

### ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা নবেম্বর ১৮দা ওপন পোলিটিকেল দাইলোগ পাঙথোক্কনি : এলাংবম জোন্সন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম), ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমসুং কম্মিটি ওফ সিবিল সোসাইটিজ কংলৈপাক (সী সী এস কে)না শীন্দুনা থা অসিগী ১৮গী অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা লময়ানবা শঙলেন্দা নোংমগী ওইবা ওপন পোলিটিকেল দাইলোগ অমা পাঙথোক্কদৌরি।

লম্ফেলদা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট এলাংবম জোন্সনন হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী



ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনা থম্নবা মণিপুর মীয়ামগী ওইবা পোলিটিকেল দাইলোগ অসি পাঙথোক্কদৌরিনি। দাইলোগ অসিগী হীরমদি *পোসিবল আউটকম ওফ দি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট ইন দি কন্টেক্স ওফ মণিপুর* নি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা লোইশিন্দনা লৈরিবা এগ্রীমেন্ট অসি চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ফাওবদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈরে। মণিপুরগী অপুনবা শক্তমদা চাউনা শিংনরিবা আই-এমগী খোঙথাং অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা করি ফীরেপ লৌরক্কদগে হায়বা মীয়াম্না চমম্নদুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা মৈহৌরোলদগী অমত্তা ওইনা খুন্দামিন্নদুনা লাক্লবা অপুনবা মণিপুরগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবা লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মীফম অসি পাঙ-থোক্লবা হোৎনবনি। মীফম অসিদা লমদম ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## HL POLL

**Q : Indiagi football teamda Manipuri macha ngakta khallagadi World Cupta mai pakpa ngamgadra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes   No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Demonetisation gi matangda ruling amasung opposition hunnaduna leiribasi chummi haina loubra?**

Yes 18% No 82%

### মেঘালয়াদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং দিস্কালিফাই তৌনবা পিটিসন থারকখ্রে

শিলোং, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পগী মায়োক্তা লৈবা পিটিস্নর অমনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি পূম্নমক ষ্টেট এসেমব্লিদগী দিসক্কালিফাই তৌনবা গভর্নর গঙ্গা প্রসাদতা ৱাকৎখ্রে।

মাদেল সমর কৌবা মীওই অমনা থারকখিবা পিটিসন মতুং ইন্না মেঘালয়া হায় কোর্টনা মেঘালয়া পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (এপোইন্টমেন্ট, সেলারিজ, এলাৱেন্স এন্দ মিসেলেনস প্রোভিজন) এক্ট, ২০০৫ চৎনবা য়ারোই হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা গভর্নরগা উননবা থৌরাং তৌরি।

সমরনা হায়খি, গভর্নরগা উনদুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ১৭ এসেমব্লিদগী দিসক্কালিফাই তৌনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। অসাম ত্রিব্যুনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা ঙসি সমরনা গভর্নর উননবা থৌরাং তৌখি অদুবু ষ্টেট হোলিদে ওইবনা থৌরাং অদু মতম খরা য়েথোকপা তাখি।

মেঘালয়া হায় কোর্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ফম লৈফম থোক্তে হায়না ৱায়েল পীখিবগা লোয়ননা এসেমব্লিদগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং দিসক্কালিফাই তৌবগী ৱাফম গভর্নরনা ৱারেপ লৌগদবনি।

পিটিস্নরনা ৱাফম অসি গভর্নরদা পুখৎখিবগা লোয়ননা গভর্নরনসু হীরম অসিগী মতাংদা ৱায়েল পীখিবনা মেম্বর ৬০ লৈবা এসেমব্লিদা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট মাইনোরিটি ওইরগনি। মথং চহীগী ফেব্রুৱারীদা মীখল পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবগা লোয়ননা অমুক্কা হন্না লৈঙাক পায়নবা হোৎনরিবা পার্টি অসিগী মফমদদি থৌওং অসিনা নীংবা কায়নিংঙাই ওইরি।

### আই-এমনা নাগা লূচিংবশিংগা ৱা খন্নখ্রে

হিব্রোন, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): এন এস সী এন (আই-এম)গী লূচিংবশিংনা রেংমা নাগা হিলস অমদি অসামগী কর্বি অংলোংদা লৈবা নাগা লূচিংবশিংগা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱারী শানবা অদুদা সেন্টর অমদি এন এস সী এন (আই-এম)না অরোইবা ৱারোইশিন হেক পুরকপগা নাগাগী লমশিং অমুক হন্না লৌশিনবগী তঙাইফদবা ৱাফমশিং খন্নখি।

সেন্টর অমদি এন এস সী এন (আই-এম)না সাইন তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওবা ৱারোলশিং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লু হায়না অসামদা পাক শন্না খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা অপ্পর অসামদা ঙসি কোংগ্রেসনা শীন্দুনা খোঙজং অমা চঙশিনখি।

অসাম অমদি নাগালেন্দগী মরক্তা ঙমখৈগী চয়েৎনবা কয়া লৈবগা লোয়ননা ষ্টেট অনীমক্না মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরিবা ঙমখৈগী শরুক কয়ামরুম লৈরিবনি। আই-এমগী লূচিংবশিংনা হায়খি মদুদি,...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

## অস! লোইরেহে!

ঙসিগী থৌরমদুদা অইবা-অইবীশিং য়াম্না থাগৎপীখ্রে...!



মাইক্রোফোনগী ৱানিদা...!

### শক্লাইরবী নুপী অইবী শঞ্জেনবম ভানুমতি নোঙ্গাখ্রে

***হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স অমসুং ষ্টাফ মেম্বরশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙখ্রে।***

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী শক্লাইরবী নুপী অইবী অমসুং অশৈবী শঞ্জেনবম ভানুমতি ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী কংলা হোলদা পাঙথোকপা নুপীশিংতগী ওইবা শৈরেং শৈদিন্নবা থৌরমদা শরুক য়াদুনা চ্যেরমেনগী ৱারোল পীরিঙৈদা লেকথরকপদগী লৈখিদ্রে।

মশাগী চহী ৬৯ শুখ্রবী অইবী অসি মপুরোইবা লাইশ্রম ধবল্লো, মচানুপা অনী অমসুং মচানুপী অমা হুন্দোক্লমই।



তাইবঙপাল থাদোক্লমদাই ঙাইহাক্কী মমাঙদা ভানুমতিনা ৱা ঙাঙলম্বগী শক্তম

সাহিত্য একাদেমি অমসুং মণিপুর সাহিত্য কলা একাদেমিনা শীন্দুনা হয়েং ফাওবা চথগদবা ৬শুবা ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচরগী নীনি চনবা নুমিৎকী ঙসি নুংথিলগী সেসন্দা নুপীশিংগী শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অদুদা ভানুমতি মশামক্লা ইজবা শৈরেং মঙাসু থংনা থংননা পাথোক্তুনা মীয়ামদা তাহল্লমই। মদুগী মতুংদা তোঙান তোঙানবা শক্লাইরবী অইবী ১১না মখোয় মখোয়না ইবা শৈরেংশিং পাথোকখি।

থৌরম অদু এস ভানুমতিনা চ্যেরমেন ওইখি। শৈরেং শৈদিন্নবা লোইশিল্লক্লবা তুংদা মহাক্লা চ্যেরমেনগী ৱারোল পীখি। চ্যেরমেনগী ৱারোল পীরকপা তঙ্খায় য়ৌরকপা মতমদা মহাক লেকথরকখি।

শৈরেং শৈদিন্নবদা শরুক য়ারি-বশিংনা...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*





HL-P/4725/11Nov-10Dec.

## পক্কা বিল্ডিং অমা শাঞ্জরি



অয়াংপল্লি ইদেন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মায়োক্লবা কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা কা মাপল লৈবা মথক মখা শাবা পক্কা বিল্ডিং অমা শাঞ্জরি। বিল্ডিং অসি ট্যুটর হোম, ওফিস অমদি ফেমিলি পুন্না লৈবা য়ারবা বিল্ডিংনি। কনাগুম্বশিংনা পাম্বীরবদি মখাগী মোবাইল নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

**Pliz Contact : ☎ 9862570058 / 9089810505**

HL-P/075/10-14



ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫